# কম্মনৱেলথ গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা লৌরকখিবা থৌদাংশিং








ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা চথুরিবা কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৮দা মণিপুরদগী শরুক য়ারিবা প্লেয়রসি পূন্না মাপলনি। ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ষ্টেটসিগী শান্নরিবা প্লেয়রশিং অদুদি মথংশিংনা বোক্সিংদা এল সরিতা, মেরি কোম; সাইক্লিংদা তোংব্রম মোনোরমা অমদি ময়াংলম্বম সোনালি চনু; হোকিদা খদাংবম কোথাজিৎ, কাঙুজম চীংলেনস্না, পুখ্রম্বম সুসিলা চনু, ৱেথলিফটিংদা সঞ্জিতা চনু অমদি মিরাবাই চনুনি। শান্নরোয় মাপনলসিগী মনুংদা সঞ্জিতা চনু অমদি মিরাবাই চনুদি গেমস অসিদগী কিলোগ্রাম ৪৮ অমদি কিলোগ্রাম ৫৯দা সনাগী মেদল লৌখ্রে। মেরি কোমগীসু এপ্রিল ১৪দা রিজল্ট লাক্লগনি।

কম্মনৱেলথ গেমসকী ওইনা কুমজা ২০১৪গী গ্লাসগো গেমসতদি মণিপুরদগী শান্নরোয় তরেৎনা সনাগী মেদল অমা, লুপাগী ব্রোঞ্জ অমা পূন্না মেদল নিপাল ফংলকখি। গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমসতা শরুক য়াখিবশিংদি সঞ্জিতা চনু (ৱেটলিফটিং কেজি ৪৮ গোল্ড), মিরাবাই চনু (ৱেটলিফটিং কেজি ৪৮ শিলভর), এল সরিতা (বোক্সিং, শিলভর), এল দেবেন্দ্রো (বোক্সিং, শিলভর), কে ঐচ কোথাজিৎ (হোকি, শিলভর), কে চীংলেনস্না (হোকি, শিলভর), থৌদাম কল্পনা (জুদো, শিলভর) নি।

নীংশিংবা য়াই, কম্মনৱেলথ গেমস অসি করম্না হৌরকখিবগে হায়বা তারবদি বৃটিশ অম্পয়রগী মখাদা লৈরম্বা ইংলিস ঙাঙবা লৈবাকশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্ননবগী ৱাখল্লোন্দা হৌদোরকখিবা গেমস অমনি। অহানবা ওইনা কম্মনৱেলথ গেমস অসি কুমজা ১৯৩০দা হেমিন্টন ওন্টারিও কনাদাদা হৌদোরকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৩০দগীনা ১৯৫০ ফাওবা গেমস অসি 'বৃটিশ অম্পয়র গেমস' হায়না খঙনরকখি। মসিগী মখা তারকপা কুমজা ১৯৫৪দগীদি বৃটিশ অম্পায়র এন্দ

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### কম্মনৱেলথ গেমসতা মীৎয়েং অমা

কম্মন ৱেলথ গেমস হায়না অমুক ওল্লকখি। অদুগা কুমজা ১৯৬৬তগীদি বৃটিশ কম্মনৱেলথ গেমস হায়না অমুক মীংথোল্লগা পাঙথোরকখি। অসুম্না মথং মথং কুমজা ১৯৭৪ ফাওবা চথুরল্লগা কুমজা ১৯৭৮দগীদি কম্মনৱেলথ গেমস হায়না থোন্দুনা চথুরকখি।

কুমজা ১৯৩০দা অহানবা ওইনা গেমসকী পাঙথোরকপা মতমদা শুপ্নগী লৈবাক ১১গী শান্নরোয় অমদি ওফিসল ৪০০ রোম্না শুপ্নগী মশান্না তরুকখক্তংদা চাংয়েং তৌনরকখি। গেমস অসিগী অনীশুবা এদিসন্না কুমজা ১৯৩৪দা লন্দন্দা পাঙথোকখি। ইন্দিয়াগী ওইনদি হায়রিবা গেমস অদুদা ইহান হান্না শরুক য়াখিবনি। গেমস অদুদগী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রসিদ অনভিরনা কিলোগ্রাম ৭৪গী কাঙলূপ্তা ইহান হানবা মেদল অমা লৌরকখি।

অমরোমদা কম্মনৱেলথ গেমসতা ৱেথলিফটিং হায়বা মশান্না হাপচিল্লকখিবসিদি কুমজা ১৯৫০দা ওকলেন্দ, ন্যুজিলেন্দদা তৌখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতগীনি। হৌরকপা মতমদদি স্পোর্টস ইভেন্ট অসি নুপাখক্তনা শান্নবা মশান্না ওইরকখি। অদুবু কুমজা ২০০২দা মাঞ্চেষ্টরদা পাঙথোকখিবা গেমসতগীদি নুপীগীসু হাপচিল্লকখি। নুপীগী কম্পিটিসন হেক য়াওরকপগা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী এল কুঞ্জরানি (ফর্ষ্ট অর্জুন এৱার্দি ওফ মণিপুর) না ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নবদা সনাগী মেদল লৌরকখি। হায়রিবা গেমসতুগী ক্লিন এন্দ জর্কতা কুঞ্জরানিনা কিলোগ্রাম ৯২.৫ থাঙ্গৎতুনা গেমস রেকোর্দসু থমখি।

কম্মনৱেলথ গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱেথলিফটিংদা ইহান হান্না মফম কল্লকখিবা লিফটরদি মণিপুরগী এল কুঞ্জরানিনি। মসিগী মখা চথুরকপা ওইনা কুমজা ২০০৬তা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলর্বোন্দা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা কম্মনৱেলথ গেমসতসু কুঞ্জরানিনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলূপ্তা স্নেচতা কেজি ৭২, ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ৯৪ পূন্না কেজি ১৬৬ থাঙ্গৎতুনা সনাগী মেদল লৌরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০০২গী মাঞ্চেষ্টর গেমসতা মশামক্না থমখিবা গেমস রেকোর্দ অদু থুগায়রগা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুঞ্জরানিনা কুমজা ১৯৮৫তগীনা ২০১০ ফাওবদা ইন্টরনেসনল লেভেলদা ৱেথলিফটিং হায়বা মশান্না অসিদগী সনাগী মেদল ২০ য়াওনা লুপাগী অমদি সেঞ্জেংগী পূন্না মেদল ৬৮ লৌখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৮

১) ৱর্ল্ড জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা নুপীমচা অমা চহী কয়ামুক শরুক য়াবদা সনা, লুপা অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল পূন্না ৪০ হেন্না ফংখি। তৌইগুম্বসুং ওলেম্পিক গেমসতদি সনাগী মেদল অমা ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। জজ তরুক্না মীচং মীখাই নাইদুনা মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা য়াবা অমসু ফংহৌদে। মহাক কনানো?

২) মহাক কানপুরদা পোকই। ইংলেন্দগী টেষ্ট ক্রিকেটরনি। ইন্দিয়ানা মনীং তমদ্রিঙৈদা মহাক্কী মপা উত্তর প্রদেশকী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইখি। মহাক মপুন্সিগী অরোইবা শরুক্তা পাকিষ্টানগী কোচ ওইখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৩) নেসনল গেমসতা সনাগী মেদল ১২, লুপাগী মেদল ৩, শেঞ্জেংগী মেদল ১ ফংখি; এসিয়ন গেমসতনা সনাগী মেদল ১, লুপাগী মেদল ১ ফংখি; ওলেম্পিক গেমসতসু শরুক য়ারুই, সিফাইগী সুবেদারসু কাখি, থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা য়াম্না ৱানা শেল থুমগী ফীভম ফত্তবদগী লৈখিদ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদু কনানো?

৪) 'কৌনা ফুক্কুম ফুক্তোক্কে'
'থম্বৌ থেক্কুম থেক্তোক্কে'
করম্বা মশান্নদা মথক্কী ৱাহৈশিং অসি হায়দুনা শান্নবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫ নোংমাইজিং, নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হিরো সুপর কপ : নেরোকা এফ সী বেঙ্গালুরু এফ সীগী মখূৎতা মায়থীহৌরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) : ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো সুপর কপ ২০১৮গী ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সী বেঙ্গালুরু এফ সীগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

হিরো সুপর কপ ২০১৮ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা বেঙ্গালুরু এফ সী অমসুং নেরোকা এফ সী ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৩শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু এফ সীগী সুনিল ছেত্রিনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। নেরোকাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইম ৪৫ প্লস থ্রি চৎপা মিনিটতা প্রিতম্না গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি।

অনীশুবা হাফতদি বেঙ্গলুরু এফ সীনা মেচ অদু লাকশিন্না শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৫৫শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু এফ সীগী সুনিল ছেত্রিনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু গোল ২-১দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ৯০ প্লস ফোর চৎপা মতমদা সুনিল ছেত্রিনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চন্দুনা হেটত্রিক লৌরগা মেচ অদু বেঙ্গালুরু এফ সীনা গোল ৩-১দা মায় পাকহন্দুনা সেমী ফাইনেল য়ৌহনখি।

### ১৬শুবা ওফা কপ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
# এস দব্লিয়ু এ সেক্তানা এন ৱাই সী নুংকা সাইখুলবু গোল ৭-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (এনঐচএস) : ওরিয়েন্টেল ফুটবোল একাদেমি (ও এফ এ) পুংদোংবম্না শিন্দুনা এপ্রিল ৪দগী হৌদুনা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৬শুবা ওফা পন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দব্লিয়ু এ সেক্তানা এন ৱাই সী নুংকা সাইখুলবু গোল ৭-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১১না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৩ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৬শুবা ওফা কপ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি এস দব্লিয়ু এ সেক্তা অমসুং এন ৱাই সী নুংকা সাইখুল শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা এস দব্লিয়ু এ সেক্তানা এন ৱাই সী নুংকা সাইখুলবু গোল ৭-১দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা এস দব্লিয়ু এ সেক্তাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ হেম্বনা মেচকী ৩০শুবা, ৪২শুবা অমসুং ৪৯শুবা মিনিটতা গোল ৩ চন্দুনা হেটত্রিক লৌখি। জর্সি নম্বর ১১ তোম্বনা মেচকী ১০শুবা, জর্সি নম্বর ৯ জুলেন্না মেচকী ৩৮শুবা, জর্সি নম্বর ৮ সুরেসনা মেচকী ৪৫শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৭ বিপিন্না মেচকী ৪৭শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা এন ৱাই সী নুংকা সাইখুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ সৈপুনা মেচকী ২৮শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

# নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসলশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) : অসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা সরুসলাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী কর্মবির মবিনচন্দ্র ব্রোদোলোই এ সীগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯ ফোর বোইজ এন্দ গর্লসতা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী পেনকাক সিলাট নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপামচাগী চহী ১২ মখাগী কেজি ২৬তগী ২৮ ফাওবগী কেটাগোরিদা এ পিটরসন, কেজি ২৮দগী ৩০ ফাওবগী কেটাগোরিদা এলিএন, কেজি ৩০দগী ৩২ ফাওবগী কেটাগোরিদা এস থোইবা, কেজি ৩৬তগী ৩৮ ফাওবগী কেটাগোরিদা এ মেঘচন্দ্রা, কেজি ৪২দগী ৪৪ ফাওবগী কেটাগোরিদা দব্লিয়ু সুধির, কেজি ৪০দগী ৪২ ফাওবগী কেটাগোরিদা এস সুরেস অমসুং কেজি ৫২দগী ৫৪ ফাওবগী কেটাগোরিদা এল মালেমঙানবনি।

নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী কেজি ৩৯দগী ৪২ ফাওবগী কেটাগোরিদা এ বিকি, কেজি ৫৭তগী ৬০ ফাওবগী কেটাগোরিদা এস রোবিনদন, কেজি ৪৮দগী ৫১ ফাওবগী কেটাগোরিদা দব্লিয়ু সন্তোস, কেজি ৫৪দগী ৫৭ ফাওবগী কেটাগোরিদা দব্লিয়ু সুনিল ছেত্রি, কেজি ৬৯দগী ৭৫ ফাওবগী কেটাগোরিদা কে এস ঐচ ললিটকুমার অমসুং কেজি ৫১দগী ৫৪ ফাওবগী কেটাগোরিদা এন নোংদম্বনি। নুপামচাগী চহী ১৫ মখাগীদা ৱাই রোহিট, এস মংলেম, এ লানঙম্বা অমসুং এস চীংখৈনি।

নুপীমচাগী চহী ১২ মখাগীদা এন আশাকিরন, এ রেজিয়া, এ কেনোই, মেলোদি, কংলৈঙানবী অমসুং এ নিরভানি। নুপীগী চহী ১৪ মখাগীদা এ গিতাঞ্জলি, এন আশাকিরন, এ তেনোই, এ রেজিয়া, কে ঐচ মালেমঙানবী, এন প্রিয়া, এন জি ভিক্তোরিয়া অমসুং এ প্রিয়াঙ্কানি। চহী ১৭ মখাগীদা এস ঐচ জোনা চনু, আই বিবি চনচন, টি ঐচ অঞ্জলি অমসুং নাওবি লাইশ্রমনি।

ওফিসলশিং অদুদি নুপামচাগী কোচ ওইনা এন রোবিন্দ্রো, নুপীমচাগী কোচ ওইনা এন জি নৱাং মৈতৈ, এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা রোমেস অমদি জয়কুমার অমসুং মেনেজর ওইনা এল রঞ্জিৎনি হায়না পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

### অহানবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ ওপন নোক আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট
# এন এফ সী নোংমাইখোং অমসুং এফ সী মোইরাং খুনৌ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) : কুম্বী এ সীগী এম এল এ, এস বিরনা স্পোন্সর তৌরগা কুম্বা অদরস য়ুথ ওর্গেনাইজেসন (কে এ ৱাই ও) কুম্বীনা শিল্লগা ওর্গেনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ ওপন নোক আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লবদুনা এন এফ সী নোংমাইখোং অমসুং এফ সী মোইরাং খুনৌ ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

অহানবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ ওপন নোক আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই এম বি এফ সী মোইরাং অমসুং এন এফ সী নোংমাইখোং শান্নখি। মেচ অদু এন এফ সী নোংমাইখোংনা লাকচনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী গোল চন্নবা এটেক কয়া চথুনরবসু ঙম্নখিদে। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এন এফ সী নোংমাইখোংনা তপ্না তপ্না লাকশিল্লগা শান্নরকখি। মেচকী ২৩শুবা মিনিটতা এন এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ রিক্সনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনিট ৩ কান্নরগা মেচকী ২৬শুবা মিনিটতা এন এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ দেভিদনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচকী ২৮শুবা মিনিটতা অমুক রিক্সনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু এন এফ সীনা গোল ৩-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা দেভিদনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু এন এফ সীনা চাউনা মায় পাকপগী ফীভমদা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ৱাই এম বি এফ সীনা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীবা নংখি। রিক্স অমসুং দেভিদনা গোল ২/২ চনখিবনা মেচ অদু এন এফ সী নোংমাইখোংনা গোল ৪-০দা মায় পাক্লগা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস ৱাই সী সগাং অমসুং এফ সী মোইরাং খুনৌ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপগা অহুমশুবা মিনিটতা এস ৱাই সী সগাংগী জর্সি নম্বর ১০ জোনি কোম্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। এস দব্লিয়ু সী সগাংনা গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মেচকী ৭শুবা মিনিটতা এফ সী মোইরাং খুনৌগী জর্সি নম্বর ৯ এল সুন্দরনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মিনিট ১খক কান্নরগা মেচকী ৮শুবা মিনিটতা এল সুন্দরনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা এফ সী মোইরাং খুনৌনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ২৪শুবা মিনিটতা জোনি কোম্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা এস ৱাই সী অমসুং এফ সী মোইরাং খুনৌ অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা গোল ২-২দা লৈহনখি।

অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক্না মখা তানা অকনবা এটেক চথুনখি। মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা এফ সী মোইরাং খুনৌগী জর্সি নম্বর ৫ পি আনন্দনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী যিম্না গোল ৩-২দা মাঙজিল থাহনখি। অদুবু জোনি কোম্না মেচকী ৩৬শুবা মিনিটতা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু অমুক হন্না গোল ৩-৩দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৭ ঙাংপু কোম্না গোল অমা চল্লগা এস ৱাই সীনা গোল ৪-৩দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা জোনি কোম্না মহাক্কী মহাক্কী মরিশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু এস ৱাই সীনা গোল ৫-৩দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৪৫শুবা মিনিটতা এফ সী মোইরাং খুনৌগী জর্সি নম্বর ৬ এম অবুংনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ৪-৫দা লৈহনখি। মেচকী ৪৯শুবা মিনিটতা ঙম্পু কোম্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা এস ৱাই সীনা গোল ৬-৪দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৫০শুবা মিনিটতা এম অবুংনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা এফ সী মোইরাং খুনৌ অমসুং এস ৱাই সী সগাং গোল ৫-৬তা লৈহনখি। মেচকী ৫২শুবা মিনিটতা এফ সী মোইরাং খুনৌগী জর্সি নম্বর ১৪ অমরজিৎনা গোল অমগা চল্লগা মেচ অদু গোল ৬-৬তা ইক্বেলাইজ তৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ফাওবদা শান্নরকপা মেচশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লম্বা চানা শান্নখিবা মেচ অমা ওইখিবদা নত্তনাা মীয়াম্না মীৎ কুপ্পগী তাঞ্জা ফাওবা ফংহনখিদবা মেচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা এফ সী মোইরাং খুনৌনা এস ৱাই সী সগাংবু গোল ১০-৮দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

### ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
# এন সী পি ময়াং ইম্ফাল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচএনএস) : সোসিএল এনভাইরোনমেন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এস ঈ দি ও) না শিল্লগা শিংজমৈ সাপম লৈকায়দা লৈবা এস ঈ দি ও (সেদো) গী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এন সী পি ময়াং ইম্ফাল মায় পাকখ্রে। অদুগা ঐচ দব্লিয়ু সী লংথবালনা সুরমা এফ সী-এ অমসুং জোন এফ সী অচানবীগৈনা সুরমা এফ সী-বি ৱাংজিংনা শান্নখিবা মেচশিংনা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৮না গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৫৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি ঐচ দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং সুরমা এফ সী-এ ৱাংজিং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা মেচ অদু গোল ০-০দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৭শুবা মেচ ওইনা জোন এফ সী অচানবীগৈ অমসুং সুরমা এফ সী-বি ৱাংজিং শান্নখি। মেচ অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। মেচ হেক হৌরকপদগী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথুনরবসু মেচ অদু গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা গোল ০-০দা দ্রো চৎখি।

৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৫৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি এন সী পি ময়াং ইম্ফাল অমসুং এস ঈ ৱাই ও ক্ষেত্রি লৈকায় শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম হায়বদি মেচকী ৩শুবা মিনিটতা এস ঈ ৱাই ও ক্ষেত্রি লৈকায়গী জর্সি নম্বর ৭ জোন্না গোল অমা চনখি। জোন্না চনখিবা গোল অদুনা এস ঈ ৱাই ওগী গোল অমা অঙনবা মতমদা একাউন্ট হাংবা ঙমখি। এন সী পিগী মায়কৈদগীসু এস ঈ ৱাই ওগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্না এটেক কয়া চথুরকখি। মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা এন সী পিগী জর্সি নম্বর ১১ নাওপিনা গোল অমা চন্দুনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদনা মেচ অদু গোল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ২৪শুবা মিনিটতা এন সী পিগী নাওপিনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু এন সী পিনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাখি। এস ঈ ৱাই ওগী মায়কৈদগী এন সী পিগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু এন সী পিনা গোল ২-১দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি এফ দি এস-বি ৱাইখোম লৈকায় অমসুং য়ু এফ সী উৎলৌ ময়ায় লৈকায় শান্নগদবা মেচ অদু য়ু এফ সী লাক্তবদগী এফ দি এস-বিনা ৱর্ক ওভর ফংখি।